# য়ু এসনা শৌগৎপা ফোর্সনা ইস্লামিক ষ্টেটকা অরোইবা লান শোক্নরগনি



বগহৌজ, সিরিয়া মর্চ০৩(এজেন্সি):

ইরাক্কী বোর্দর মনাক্তা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস)না কন্ত্রোল তৌবা লাম তম্না তপ্না তপ্না চঙশিল্লকখিবা য়ু এস শৌগৎপা সিরিয়াগী ফোর্সনা নোংমাইজিং নুমিত্তা জিহাদিষ্টশিংগা অরোইবা লান শোক্নরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না ফোর্সতুগী স্পোক্সমেন্না হৌখিবা অহিংদা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুফ্রেতিস তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বানদা তাবা সিরিয়াগী ভিলেজ বগহৌজ খুদুম চনবা হায়বসি মপান কন্না ফরিঙৈ কুমজা ২০১৪ দা সিরিয়া অমসুং ইরাক্কী শরুক অহুম থোকপগী অমগী লমদা কলিফেট শেম্লে হায়না লাওথোকখিবা জিহাদিষ্টশিংগী এক্তিভিতিশিং লোইশিনহন্নবা মালেমনা হোৎনরকপদা মরু ওইবা মায় পাকপা অমা ওইরগনি।

তৌইগুম্বসুং গ্রুপ অসিনা শেল্লন্বা কালিফেটকী লমশিং তপ্না তপ্না মাঙশিল্লকখিবগা লোয়নননা হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা লানফম কয়াদা চাওনা মায়থিবা নঙখ্রবসু গ্রুপ অসি মখা তানা মালেমদা সিক্যুরিতি থ্রেট অমা ওইখিগনি হায়বসি পুম্নমক্না য়ানরবা ৱাফম ওইরি। ইন্সরজেন্ট ফোর্স অমা ওইনা গ্রুপ অসিনা লোৎফম কয়াদগী মখা তানা মাঙহন-তাকহনবা অমদি মীশি মীনা থোকহনবা এটেক কয়া চথরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী লম তপ্না তপ্না পীকশিল্লকখিবগা লোয়ননা ফাইটরশিং অমদি মখোয়বু শৌগৎপা মীওই লিশিং কয়া দৈইর অল-জোর প্রোভিন্সকী মফম খরদা চঙশিল্লগা লৈশিনখি অমসুং মখোয়গী অরোইবা লানবন শেমখি। হৌজিক চয়োল খরসিদা জিহাদিষ্টশিংনা মখোয়গী লানবন অদুদা অরোইবা লান্দা মায়োক্নবা শেম শাখ্রে হায়না ওভজার্ভরশিংনা থাজনরি। বগহৌজ ভিলেজ মনুংদা লৈরিবা মীচমশিং হোন্দোকখ্রবা মতুংদা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ)না হৌখিবা ইরাইগী নুমিদাংদগী পুং ১৮ চুপ্না ইস্লামিক ষ্টেটকা লান্থেংনখি হায়না এস দি এফকী মিলিটরি মিদিয়া ওফিসল মরভন কামিশলোনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখ্রে।

দৈইস (আই এস)না এরিয়া অদুদা পাক শন্না মাইনশিং ফুমখিবনা ঐখোয়গী ফোর্সশিং প্রোব্লেম লৈহন্দনবা তপ্না তপ্না চঙশিনখি। পীক্লবা মফমদু তাবা লম্বীশিংদা মাইন লিশিং কয়া ফুমদুনা লৈরি হায়না বগহৌজগী মনাক্তা লৈবা চীংথক অমদা মহাক্না ভিলেজ অদুদা য়েংথরুদনা হায়খি।

মফমদুদা লোক্তুনা ফিভম শেমদুনা লৈরিবা জিহাদিষ্ট অয়াম্বা ফোরেন্নরশিংনি। মখোয়না সরপ্রাইজ এটেকশিং চথনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়না কামিশলোনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা মখোয়না জিহাদিষ্টশিংগা অরোইবা লান শোক্নরবা য়াই।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শৌগত্তুনা অৱাং থংবা শরুক্তা কর্দিশ অমসুং অরব গ্রুপশিংনা চঙশিল্লকখিবা অকনবা মিলিটরি কেম্পেন অমদি রসিয়ানা শৌগৎপা সিরিয়ন আর্মিগী খুত্তা রাক্কা য়াওনা আই এসনা পায়শিল্লন্বা সিরিয়াগী লম অয়াম্বা জিহাদিষটশিংগী খুত্তগী হায়বা য়াই।

সিরিয়াদা মরু ওইনা ইস্লামিক ষ্টেটকী ময়োক্তা এস দি এফপু শৌগৎপা ওইনা ৱাশিংটন্নগী ক্রুপ ২০০০ রোম লৈরি। হৌখিবা দিসেম্বরদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মখোয় লোইনমক লৌথোক্লগনি হায়না লাওথোকখি। তৌইগুম্বসুং ৱারেপ অদু খরা ওন্থোক্লগা ক্রুপ ৪০০ রোমদি মখা তানা থমখিগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা অমুক লাওথোকখি।

# ‘ভেনিজ্যুএলা ৱাথোক্কী মতাংদা রসিয়ানা য়ু এসকা ৱারী শাননবা শেম শারে’



মোস্কো, মর্চ০৩(এজেন্সি):

ভেনুজ্যুএলাগী ৱাথোক্কী মতাংদা রসিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা বাইলেটেরেল ৱারী শাননবা শেম শারে হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা য়ু এসকী মহাক্কী লেংমান্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

মার্চ ২ দা ফোরন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোভকা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোমপিওনা ফোনদা ৱারী শানবদা ভেনুজ্যুএলাদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমনা মরু ওইবা তোপিক ওইখি হায়না রসিয়াগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা মসিগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখি।

ভেনিজ্যুলাগী ৱাথোক্কী মতাংদা ৱাশিংটননা লৈবাক অনী ৱারী শানবগী ৱাফম হৌদোকখিবগা মরী লৈননা রসিয়ানা মদুদা শরুক য়ানবা শেম শারে হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ৱারী শান্নবদু য়ু এন চার্টরগী প্রিন্সিপলশিংনা গাইদ তৌগদবনি, মরমদি ভেনিজ্যুএলাগী মীয়াম খক্তনা মখোয়গী তুংগী মরাইবম লেপচবা ঙমগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী মহুত্তা ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোবু মালেমনা শকখঙনবা য়ু এসনা লুচিংদুনা হৌখিবা কেম্পেনগী মতাংদা রসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা মুক্ত রকখিবনি। গুৱাইদোনা মহাক লৈবাক অদুগী ইন্টরিম হেদ ওফ ষ্টেটনি হায়না লাওথোকখ্রবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌদোকখিবা ফোন কোলে অদুদা লাভরোভনা লৈবাক অদুগী লোনা য়াবা লুচিংবা অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থৌওংবু কন্নে দম তৌখি হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিনা মাদুরোগী মতাংদা পল্লদুনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট মাদুরোদা প্রেসর হেন্না পীনবা হোৎনদুনা য়ু এসনা লৌখৎলকখিবা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংদা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ু এসনা ভেনিজ্যুএলাগী সিক্যুরিটি ওফিসল তরুক্কী মথক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া লাওথোকখি অমসুং মাদুরোগা শন্নবা মীওই দজন কয়া অমসুং মখোয়গী ইমুংশিংগী ভিজাশিং কেন্সেল তৌখি। লাভরোভ অমসুং পোম্পিওনা সিরিয়া অফঘানিস্টান অমসুং কোরিয়ন পেনিন্সুলাগা মরী লৈননা এক্সপর্টকী থাক্তা মখা তানা ৱারী শানবগী ৱাফমসু য়ানখি।

# ইন্দিয়াগী ৱারপ্লেন কাপথবদা করম্বা প্লেন শীজিন্নখিবগে হায়বা অমেরিকনা খঙবা পাম্মী

ৱাশিংটন, মর্চ০৩(এজেন্সি):

য়ু এসকা য়ান্নখিবশিং খোঙ্গা-ওনবগী মওংদা পাকিস্টাননা ইন্দিয়াগী ৱারপ্লেন অমা কাপথখিবদা য়ু এসনা শাবা এফ ১৬ জেটশিং শীজিন্নখিব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা এসিয়াগী য়ুন্নোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা খরা হন্থরক্লিঙৈ চৈরক্তা য়ু এসনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পাকিস্টান অমসুং ইন্দিয়া অনীমক্না চয়োল অসিদা এরিয়ল বোমিং মিসনশিং পাঙথোকখি। এরিয়ন মিসনশিং অদুগী মনুংদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নাকল অনীনা নোংথক্তা কাপ্পখি। নোংথক্কী লান অদুদা ইন্দিয়ন পাইলোট অমা য়েৎনরিবা কাশ্মিরগী লমদমদা কাপথখিবগী থৌদোক্না মালেমগী পৱারশিংবু মীপায়হনখি অমসুং লান



অমা চপ চানা থোক্লক্লগদ্রা হায়বগী অকিবা লৈখি।

পাকিস্টাননা এফ ১৬ জেটশিং শীজিন্নখি হায়বা ইন্দিয়াগী ক্লেমশিং পাকিস্টানগী মিলিটরি স্পোক্সমেন অমনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

ইস্লামাবাদনা পিছকী ইঙ্গিৎনি হায়না ফোঙদোকখিবা খোঙথাং অমদা ফাখিবা ইন্দিয়ন পাইলোট অদু পাকিস্টাননা ইরাই নুমিত্তা ইন্দিয়াদা শিন্নরকখি। খোঙথাং অদুনা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবগী ফিভম শিংথানিঙাই ওইনা হন্থহনখ্রবসু নাকল অনীমক মখা তানা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনরি।

য়েৎনরিবা কাশ্মির লমদমদা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা দে ফেক্তো বোর্দরনি হায়না লৌনবা লাইন ওফ কন্ত্রোল (এল ও সী)দা হৌখিবা পুং ২৪ অসি ঈং-চীকপা ফিভম লৈখি হায়না অর্মি অনীমক্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা ইস্লামাবাদতা য়ু এস এম্বেসিনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ন পাইলোটতু কাপথখিবদা পাকিস্টান্না এফ ১৬ জেটশিং শীজিন্নখিবরা হায়বদু য়েংশিল্লি। করিগুম্বা পাকিস্টান্না থৌদোক অদুদা এফ ১৬ জেটশিং শীজিন্নখিবা থোক্লবদি ৱাশিংটননা মিলিটরি খুৎলায়শিং য়োনবদা য়ানখিবা ৱাফমশিং পাকিস্টান্না থুগায়রে হায়না লৌগদৌরিবনি। প্লেনশিংদু লৈবা মতমদা মখোয়বু শীজিন্নবগী মতাংদা অথিংবা খরা থমখিবা লৈ হায়রি।

# কারাকসনা লিজবনদা লৈবা ষ্টেট ওইল ফর্মগী ওফিস মোস্কোদা হোংদোক্কদৌরি



মোস্কো, মার্চ ০২ (এজেন্সি):

ভেনিজ্যুএলাগী ওইল কম্পেনি পি দি ভি এস এগী লিজবনদা লৈবা ওফিস মোস্কোদা হোংদোক্কবা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা ওর্দর তৌখ্রে হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট দেলসি রোদ্রিগিজনা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট মাদুরোগী খোঙথাং অদু ভেনিজ্যুএলাগী এসেটশিংবু অকায়বা থোকহল্লক্কদবা কয়াদগী কলহৌনবনি হায়না রোদ্রিগিজনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা জন্যুৱারীদা মশামকপু লৈবাক অদুগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইরে হায়না লাউথোকখিবা ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোগী মায়কৈদগী পোলিটিকেলগী অচৌবা শিংনবা অমা লাকখিবদা মোস্কোনা মাদুরোবু শৌগৎখি। অমরোমদা, গুৱাইদোগী খোঙথাং অদুবুনা নোংচুপলোমগী লৈবাক অয়াম্বনা শৌগৎখি।

মোস্কোদা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোভেকা লোয়ননা পাঙথোকপা অপূনবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা রোদ্রিগিজনা পি দি ভি এস এগী ওফিস হোংদোকপগী ৱারেপকী মতাংদা শন্দোক্না খঙহল্লদুনা হায়খি, ভেনিজ্যুএলাগী এসেটশিংগী সেফটিগী মতাংদা য়ুরোপনা মখা তানা থাজবা পীবা ঙমদ্রে হায়বসি য়ুরোপকী লৈবাক কয়ানা উৎখ্রে। খুদম ওইনা, বেঙ্ক ওফ ইংলন্দননা মহাক্কী লৈবাক্কী গোল্ড সপ্লাইজ শিন্ননিংদবগী থৌওং উৎখ্রে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, করাকসনা হৌজিক রসিয়াগা মতেং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱারেপ লৌরে। পি দি ভি এস এগী ওফিস হোংলিবদু থাউ লৌথোকপগী থবক্তা রসিয়াগী থাউগী কম্পেনিশিং রোজনেফ্ট অমসুং গাজপ্রোমগা টেক্নিকেল কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহন্নবগী থৌরাংশিংগা চাননি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ভেনিজ্যুএলা অমসুং রসিয়া অসি ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিং ওইরি হায়না পল্লদুনা রোদ্রিগিজনা হায়খি, ঐখোয়গী লৈবাক্কী তঙাইফদবা খুদিংমক রসিয়ন ফেদরেসনগী মতেংগা লোয়ননা পুথোক্লবগীদমক্তা ঐখোয়না ইন্দষ্ট্রিগী লমদা ইনভেষ্ট তৌরগনি।

হৌখিবা থাদা গাজপ্রোমবেঙ্ককী ছোর্স অমনা ন্যুজ এজেন্সী অমদা বেঙ্ক অসিনা পি দি ভি এস এগী একাউন্টশিং চৎনহল্লরোই অমসুং ফর্ম অদুগা মরী লৈনবা ট্রাঞ্জেক্সনশিংসু য়ু এসকী অথিংবশিংনা বেঙ্ক অসিদা শোকহল্লক্কনবগীদমক্তা লেপ্পগনি হানা লাউথোকখিবা মতুংদা মোস্কোদা ওফিস হোংবগী ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি। লভরোভনা ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা ফোঙদোকখিবদা, রসিয়ানা মেদিকেলগী মতেংগী অহানবা সিপমেন্ট থাখ্রে অমসুং মোস্কোনা ভেনিজ্যুএলাদা গেহু থাজিন দুনসু মতেং পাংলি।

# সিরিয়াদা মীরৈবাক্কী ক্রুপশিং লৈহন্দনবা ইজরেলগা রসিয়াগা কোওপরেসন পীনরগনি : ইজরেলি পি এম

জেরুসালেম, মর্চ০৩(এজেন্সি):

সিরিয়াদগী ফোরন ফোর্সশিং লৌথোকপগী মতাংদা ইজরেল অমসুং রসিয়ানা তাথোক-তাশিন তৌদুনা থবক তৌমিন্নগনি হায়না ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়াদা ইরানিয়নশিং লৈহন্দনবা তকশিনবা ওইনা মোস্কোদা খোঙচৎ অমা চৎলুরবা মতুংদা নেটনয়াহুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদনা চহী ৮গী লালহৌ অমা মায়থিবা পীখ্রবা মতুংদা ইরান অমসুং টেহরানা শৌগৎপা লেবানিজ মিলিসা হেজবোলাহদগী লাকপা মহাক্কী রিইনফোর্সমেন্টশিং মখা তানা লৈশিন্দুনা ইজরেলগী মায়োক্তা অনৌবা ফ্রন্ট অমা শেম্লকদৌরিবরা হায়না ইজরেলনা ৱারি।



ইজরেলনা সিরিয়াদা লৈবা ইরানিয়ন অমসুং হেজবোলাগী তার্গেটশিংনি হায়না চিংনবা মফমশিংদা ষ্ট্রাইক চা কয়া পাঙথোকখ্রে। ওপরেসনশিং অদু রসিয়ানা থওইনা মীৎয়েং চঙখিদে। কুমজা ২০১৫ দা রসিয়ানা অশাদকী মীচং চঙদুনা লান অদুদা য়াওশিনখিবদগী লানদুগী মায়কৈ হোংলকখি।

হৌখিবা চয়োলদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট পুতিনগী গেষ্ট ওইনা নেটনয়াহুনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অনিগী মরক্তা খুৎশি-খুনাম্থোক্তগী খুৎ থোক্লবা লৈহন্দনবগীদমক্তা ইজরেলি-রসিয়ন মিলিটরি হোটলাইন মখা তানা থমদুনা অসিগুম্বা ষ্ট্রাইকশিং মখা তানা চথখিগনি। সিভিল ৱার থোক্লকখিবা মতমদা লাকখিবা ফোরন ফোর্সশিং সিরিয়াদগী লৌথোক্লবগী মান্নবা পান্দম অমসু প্রসিদেন্ট পুতিন অমসুং ঐহাক্না য়ান্নরে হায়না নেটনয়াহুনা ইজরেলি কেবিনেটতা ফোঙদোকখি। ঐখোয়না অতৈগা খুৎশম্ননা পান্দম অসি ফংনবা থবক তৌমিন্নগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। নেটনয়াহুগী ৱাফম অসিগী মতাংদা রসিয়নশিংগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট পীরকখিদে।

# রোইটর্সকী ফোটোগ্রাফর য়ান্নিস বেহরাকিস লৈখিদ্রে

লন্দন, মর্চ০৩(এজেন্সি):

মীয়াম্না খ্বাইদগী পান্নরবা ফোটোগ্রাফরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এৱার্দ কয়া ফংলবা রোইটর্সকী মশক নাইরবা ফোটোগ্রাফর য়ান্নিস বেহরাকিস মতম শাংনা কেন্সরগা লান্থেংনরক্লবা মতুংদা থাংজ নুমিত্তা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৫৮ রোম শুখ্রে।

চহী ৩০গী মমাঙদা রোইটর্সতা য়াওখিবা বেহরাকিসনা অফঘানিষ্টান অমসুং চেচন্যাগী কনফ্লিক্টশিং, কাশ্মিরদা থোকখিবা অচৌবা য়ুহা হাবা অমসুং কুমজা ২০১১ গী ইজিপ্টকী শাথিরবা ইরাং য়াওনা মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইরবা থৌদোক কয়া কভর তৌখি।

মহাক্না থবক তৌবদা উংখিবা মহাক্কী হৈ-শিংবশিং অমসুং থৌনাগীদমক্তা থবক তৌমিন্নরিবা মশুং মমান্নবশিং অমসুং মহাক্না অথোই অহেনবা তান্নরিবা লম্বাশিং অনীমক্না মহাকপু ইকাই খুন্নখি। রেফ্যুজি ক্রাইসিসকী কভরেজগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৬ তা মহাক্না লুচিংবা টিম অমনা পুলিটজর প্রাইজ ফংখি। মহাক্না লৈখিদবদা রোইটর্সকী টেলেন্ট লৈরবা অমদি মথৌদা থৱায় য়াওরবা জর্নেলিষ্ট অমা মাঙজরে হায়না মহাক্না থবক তৌমিন্নরিবশিংনা ফোঙদোকখি।



ৱারী অমা খ্বাইদগী আষ্টিষ্টিক ওইবা মওংদা শেংনা লিবা অসিনি খ্বাইদগী শিংথানিঙাই ওইরিবদি হায়না বেহরাকিসকী ষ্টাইলগী মতাংদা রোইটর্সকী ভেট্রন ফোটোগ্রাফর গোরান তোমসেভিসনা ফোঙদোকখি। খ্বাইদগী মরু ওইবা পিকচর পুথোক্লবা হোৎনবদা খুদিংমক কৎথোকপা ঙম্বা মহাকুম্না মথৌদা পুক্নিং চঙবা কৎথোক্লবা অতৈ মীওই ঐখোয়না উদে হায়না তোমসেভিসনা মখা তাখি।

মহাক্কী মীরোলগী খ্বাইদগী ফরবা ন্যুজ ফোটোগ্রাফরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ান্নিস মহাক্কী থবক অমদি পুন্সিদা অদুক্কী মতিক থৱায় য়াওজবা মীশক্নি হায়না য়ু এসগী জেনরেল ন্যুজ এদিটর দিনা কিরিয়াকি কোন্টিনিনা ফোঙদোকখি।

মমি অমনা মীয়ামগী পুক্নিং কদায় ফাওবা চিংশিনবা ঙম্বগে অমসুং করম্না মখোয়গী লমচৎ শাজৎ অমদি মীৎয়েং ফাওবা হোংহনবা ঙম্বগে হায়বসি বেহরাকিসনা প্রোফেস্নেল ফোটোগ্রাফর অমা ওইনা ময়েক শেংনা উৎখ্রে হায়না কোন্টিনিনা মখা তাখি। লৈখিদ্রবা রোইটর্সকী ফোটোগ্রাফর বেহরাকিস কুমজা ১৯৬০ দা এথেন্সতা পোকখি।

# ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ থিনিংবা ফর্মশিংদা অয়াবা পীরবা য়াই

কুলা লমপুর, মর্চ ০৩: মালেসিয়াগী মাঙখিবা এয়রলাইন্স ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ থীবদা ইন্টরেষ্ট লৈবা কম্পেনিশিংনা থাজনিঙাই ওইবা প্রপোজলশিং থাগৎক্লবদি লৈবাক অসিনা অমুক হন্না থিবা হৌনবা খন্নগনি হায়না লৈবাক অসিগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। কুমজা ২০১৪ গী মার্চ৮ দা কুলা লমপুরদগী বৈজিং তন্না পাইখিবা মীওই ২৩৯ তোংবা ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ না লমখাংদা খঙহৌদনা মাঙখিবদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা এভিয়েসনগী অঙকপা থৌদোক ওইখি।

ইন্দিয়ন ওসিনগী খা থংবা শরুক্তা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ১৪১.৬০ চাদিং তৌদুনা চহী ২ চুপ্না চথরকখিবা থী-হুন্বগী থবক এ য়রক্রাফ্ট অদুগী থোইদোকপা লংলা-লংজিন ফংবা ঙমদবদগী মালেসিয়া, চাইনা অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানা কুমজা ২০১৭ কী জন্যুৱারিদা লেপখিবনি।

অনীশুবা ওইনা য়ু এসকী এক্সপ্লোরেসন ফর্ম ওসিন ইনফিনিটিনা থা অহুম চুপ্না চথখিবা থী-হুন্বগী থবকসু হৌখিবা চহী কুমজা ২০১৮ গী মে থাদা লোইশিনখি। মালেসিয়ানা ‘নো ক্যুর, নো ফি’ এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদা এম ঐচ ৩৭০ থীরিবা ফর্মশিং পীফম থোকপশিং পীননবা শেম শারে হায়বদি এয়রক্রাফ্টতু ফংলবা মতমদা ফর্মশিংদুদা পেমেন্ট তৌনবা শেম শারে হায়না ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর এন্থোনি লোকনা ফোঙদোকখি।


**/GALL BLADER নুঙ তুমহনবিখ্রে**

**(নুঙশংসু 7 DAYS দা পুংফ-ফহনবিরে)**

ঐগী Gallbladder গী 9mm, কিদনিগী 6mm, 10mm নুঙ থুনা তুমহনবিখ্রে, চহী ১ হেল্লে কৈসু তৌরক্ত্রে। লৈনা খুদিংমক, নুঙাং, ফিঙৌ, ফুরি, সাইনস-তোনশিন, BP, য়াচিকপা, লোকখুবা, থাখোংকাপ, ফন্বিশোনবা, খোংয়া-লৱাই শাবা মাইহিংনচিংবা 99% compulsory with Guranttee দা 7 A.M. দগী 12 Noon ফাওবা লায়েংলিবা Govt. of India না UAR Certificate No. পিরবা Singjamei Bazar Sapam Leikai দা লৈবা Layengshang Nature Cure Phone No. 9862739714/9774533916 বু মতম পুম্বদা মপুনা মঙ্গল পিবিসনু।

থৌনিজরিবা: *Lusing Golmei*
Churachandpur

HL-P/3802/4



GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF SOCIAL WELFARE

**Notification**

Imphal, the 2nd March, 2019.

No. 7/90/2018-SW(MSK) It is hereby notified for information of all the candidates who applied for engagement of contractual staff in different categories of posts under the State Resource Centre for Women under the Mahila Shakti Kendra Scheme(MSK) that the interviews for different categories of posts will be held at Directorate of Social Welfare, 2nd M.R Gate, A.T Line, Imphal as per the schedule given below:

| Sl. No. | Name of Post | Date | Time |
|---|---|---|---|
| 1. | Specialist Gender | 6/03/2019 | 10:00 am to 3:00 pm |
| 2. | Research Officer | 7/03/2019 | 10:00 am to 2:00 pm |
| 3. | Training and Research Officer | 9/03/2019 | 10:00 am to 1:00 pm |
| 4. | Assistant | 9/03/2019 | 1:30 am to 3:30 pm |

Candidates who have not collected their Admit Card may collect it from the Directorate on 4th and 5th March,2019 between 10.30 am to 5 pm.
Candidates should report at the Directorate of Social Welfare along with relevant documents at 9.00 am while those for the post of Assistant should report at 12.30 pm on the day of interview.

Sd/- Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare) Manipur

HL-P/3592/4 &5



J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
POROMPAT, IMPHAL EAST

**NOTIFICATION**

Imphal, the 2nd March, 2019

**No. 1/514/Appointment of Asst. Prof. JNIMS/2017:** In continuation to this Institute's Notification of even number, dated 21/05/2018, the scheduled for personal interview/viva-voce for Recruitment to the post of Assistant Professor of J.N. Institute of Medical Sciences is detailed as below:-

| Sl. No. | Name of Department | Date of Personal Interview | Time | Venue of Personal Interview |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Anesthesiology | 04/03/2019 | 10:00 a.m. | A-Block, JNIMS |
| 2. | Radiotherapy | | | |
| 3. | Endocrinology | | | |

2. The applicants should bring in original all the required documents along with the acknowledgement slip.

3. The applicants should report to the A-Block, JNIMS, 30 minutes before their scheduled time.

4. List of all the eligible candidates can be seen from the Notice of Board or Official Website of JNIMS: jnims.nic.in

Sd/- Prof. Th. Bhimo Singh
**Director, J.N. Institute of Medical Sciences**

HL-B/5254/04